# মণিপুরী লোলগী ফজবা

**নন্দা দেবী**

**সেদ্যুলদা** চল্লবা লোল ওইরবা ইমালোলগীদমক য়াম্না চাওথোকচনিঙাইনি। লোইশঙশিংদা নৎত্রগা পৈশাগী মমায়দা হাপহনবগী তঙাইফদবদি অদুমক ঐখোয় খুদিংমক্কী ইথৌদাং ওইরি। ৱাফমসিনা অমরোমদা থমখ্রগা পূক্লিংদা ফাওবা ৱাফম খরদি মতম কুইরবদগী থম্মোয়দা ফুমদুনা থল্লক্লি। লোলগী অখঙ অহৈসু নৎচদে, থিজিল্লোয়সু নৎচদে অদুগা লোল অসিগী মহৈ তল্লিবসু নৎচদে। অদুম ওইনমক অহল-লমন ইথক থোংবশিংদগী খঙজহৌবা খরদংনি ফোঙদোকচনীংবা।

ৱারৌবীবদি য়াদে। ইমালোনগীদমক হৌ হৌ চোংবীবশিংনদি শাউনিংবসু য়াই। ৱারৌবসু য়াই। অমা হেক্তা ইথক্তা হৈথবীনিংবসু য়াই। অদুবু ময়ামসি তৌদ্রিঙৈদা অমুক্তংদি খন্থমিন্ননিংই। ইমালোল য়াম্না পামজনা মীরোল (অতোপ্পগী লোল) ফাওবা ইরোলদা ওন্থোক্তুনা পুকৈ হেনগৎনবা হোৎনববুদি য়াম্না থাগৎচরি। অদুম ওইনমক শীজিন্নফম খঙনা শীজিন্নবা হায়বসিসু অফবা থবকনি। ময়াম্না তোয়না তাবীরবা ৱাহৈ খরদংগা ময়াম্না শীজিন্নবীদ্রবা ৱাহৈ খরদংগা খুদম ওইনা পঞ্জগে। অহানবদা হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবশিং - ৱাখল তামিন্নবা, ইরোয়ননা, মথৌ তাবা, মহৈরোয়, মহৈলোইশঙ। মথক্কী ৱাহৈ মঙা অসিগা চাননবা শীজিন্নবীদ্রবা ৱাহৈশিং - ৱাখল খন্থবা, লোয়ননা, তঙাইফদবা, মহৈ তল্লিবশিং, মহৈশঙ নৎত্রগা মহৈ তম্ফমশঙ।

‘ৱাখল তামিন্নবা’ হায়বসি মীরোল-ইরোল পুল্লগা হায়নরম্বা ‘ভাব তামিন্নবা’ হায়বসিগী ইরোলদা হন্দোকপনি হায়না লৌজে। ‘ভাব’ কা পূন্না হায়বদদি ‘তামিন্নবা’ হায়বসি অদুম চানরমই। ‘ভাব’ পু ইরোলদা ‘ৱাখল’ ওল্লকপদদি ‘তামিন্নবা’ হায়বসিগা পূন্না হায়বদদি নুংগী ওইবা ৱাফমদু য়াওদ্রে হায়না হায়জনীংই। ইমুং মনুংগী য়াম্না নুংশিবা মীশক অমা তূন্বদা মঙলাক্লরবা মতমদুদা য়াম্না নুংশিনা ‘নঙবু তারব্রো? ভাব তারব্রো?’ কায়না হায়নরমই। অদুবু ইরোল লোনসি হায়রবদি নুংগী ওইবা ৱাফম ফোঙদোকপা ৱাহৈ থিবা তাই। ‘ইরোয়ননা’ ৱাহৈ পরেং অমগা অমগা শন্নবদা তোয়না হায়বা, ইবা নমদুনা চৎনরে। ৱাহৈসিদা য়াওরিবা ‘ই’ অসি ইমা, ইপা, ইপু, ইবেন, ইনে, ইচে, ইচন, ইনাওদা য়াওরিবা ‘ই’ মরী তাকপা ‘ই’ দুরা কদাইদগী চোংশিল্লকপনো। নৎত্রগা ৱাহৈ পরেংশিংদু ‘ই’ মরী ওই হায়রিবরা।


‘মথৌ তাবা’ থাঙ-তাদদি ‘মথৌ তারে’ নৎত্রগা ‘মথৌ হল্লে’ হায়বসি শীজিন্নে। ৱাহৈ ইবা নৎত্রগা হায়বদদি ‘মথৌ তাবা নৎত্রগা মথৌ তাই’ হায়বসি হায়ফম থোকপ্রা। হায়রিবা ৱাহৈসিমক্তি নহাশিংনা খঙনবদা নৎত্রগনা হায়বা ইন্দবা অঙাংনা মমা-মপা, মথক থোংবদা মীরোলগা-ইরোলগা পুল্লগা শীজিন্নবা ‘দরকার তাদে’ হায়বদুগী ইরোলদা হন্দোকপা ওইনা তৌই। ময়ামগী ওইনা কান্নগদবা ফজবা অদুদি অঙাংদগী অহলনা তমশিনবা য়াই। ‘মহৈরোয়’ হায়বসিদা অমুক য়েংবদা ‘রোয়’ হায়বা অরোইবগী ৱাহৈসি লোইশঙ অমদা থাগী নৎত্রগা নোংমগী শেল নৎত্রগা মসিগা মান্নবা পোৎ পীদুনা থন্বশিংবু থায়নদগী খঙনরকই। মহৈ তল্লিবশিংদি লোইশঙ কাদুনা থবক তৌবা নত্তে। মহৈ তল্লিবা, মহৈ তল্লিবী অমদি মহৈ তল্লিবশিং হায়বদা ইরোল ওইদবরা। মহৈলোইশঙ হায়বসিসু অদুমঙায়।

অদুগা অমনা ‘খেন্নবা’ অমদি ‘খেৎনবা’ ৱাহৈ অনীসিসু শীজিন্নফম অমা ইখঙ খঙহন্দ্রে। মশক মান্নদবা, চাওবা-পীকপা মান্নদবা, ৱাখল মান্নদবা অসিনচিংবদা ‘খেন্নবা’ হায়বসি শীজিন্নরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি নহাসু, অহলসু, লাইরিক হৈবসু হৈতবসু, মরৈ কোল্লবসু কোন্দ্রবসু ‘খেৎনবা’ হেক্তা হায়জিল্লি। পোৎ অমগা অমগা থেংনবা মী অমগী মশাদা করিগুম্বা পোৎ অমনা খজিক্তং থেংখিবা মতমদা ‘খেৎনবা’ হায়বসি শীজিন্নবা ৱাহৈনি। শীজিন্নবা ৱাহৈ পরেং খরা - মৈখেৎ খেৎপা, য়োৎপীনা খোঙদা খেৎখ্রে, য়োৎ অনীদু খেৎননু য়া কুম্মী অসিনচিংবা। ‘খেন্নবা’ গী ৱাহৈ পরেং খরা - ‘মচিন-মনাও অনীসি ওন্থোক্লা খেন্নৈদা, হৈনৌ অমুনবগা অশঙবগা মহাও খেন্নৈ’ অসিনচিংবা।

পঞ্জরিবা ৱাহৈ খরা অসিদা নত্তনা মিঙ্গৌ-থাগৌ, চৎনবী কয়াবু নমদুনা হোংহনখ্রে হায়বদা হায়মনবা থোল্লরোই। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা পঙাঙ ঙাঙনরম্বদগী মীয়াম তিনবদা মরু ওইবা ৱাঙাঙবদা, শৈরেং-ৱারেংদা, পাউগী মকোক্তা, মমি কুম্মোদা অসুম-অসুম তোৎশিন্নহনখ্রে। মসিগী অফ-ফত্ত নৈনদুনা চুমথোক্তগদি ইপা-ইপুগী অরূবনা মতাইদা অনৈবনা ময়ায়দা হায়বদু শোয়দনা ওইখ্রনি। নুপীমচা চামগী মনুংদা মরিফুতরা মাপনদি মৌপ্পাদা ঐখোয়গী ইনাওনুপা হায়নৈ। করিগুম্বা অদোম্না মসি থেংনবীরবদি নুপীমচাদুদা হংবীয়ু ‘ইবেম্মা নহাকপু য়ূম পাল্লবরা, ননাওনুপা হায়রিসিবু নুপা ময়ূমগীরা’ হায়দুনা। অদুদগীদি নুপীমচাদুনা অদোমদা মুন্না য়েংলক্কনি, করিসু খুন্নকলোই। হায়বদি মহাক্লা অদোমগী ৱাহংদু খঙদে নৎত্রগা ইকপ্পা হায়গদবনি হায়বসি খঙদ্রবনি। কম্প্যুটরনা, ইংরাজিনা, লাইরিক য়াম্না তম্বনা, বন্দনা, কার্ফিয়ুনা, প্রসিদেন্ট ময়ামনা, সেক্রেটরি ময়াম্না ইশাগী ফুরুপ অদু মশক হেক্তা ইরায় লায়না তাকপা য়ারক্লোই। ফজবা ইরোলবু খঙদ্রবা, ইশাগী চৎন-লোনচৎপু ঙাক্ত্রবা ‘ঐ’ অসিবু কনানি হায়না অতোপ্পদা তাক্কদগে। চাওখৎপগী ৱাহন্থোক অসিবু মীতৌ তমদুনা ইশাগী মশক মাঙহল্লগা অতোপ্পা অমা ওইবদুরা। নৎত্রগনা ঐবু ঐনি হায়না অতোপ্পদা হায়বা নৎত্রগা উৎপা ঙম্বদুরা হায়বসি অখঙ-অহৈশিংনা মালেমগী চাওখৎপা লৈবাকশিংগী ৱারী-ৱাখোঙ নৎত্রগা পান্থে অমা হেক্তা শীজিন্নদুনা চাওখৎপগী ৱাহন্থোক থিবীয়ু, নৈনবীয়ু। আসাম, বংলাদেশ, ত্রিপুরানচিংবদা লৈবা মৈতৈ/মীতৈ অমদি মৈতৈ/মীতৈ পাঙলশিংনা ইমালোনগী ফজববু ঙসি ফাওবা কাওথোক্তবা ঙল্লগা ঐখোয়নদি করিগী ঙল্লোই।

# ভোট - ভোট - ভোট !

**নবকুমার ওইনা**




**ভোট** তৌরক্লিবা চহী হুম্ফুতরা শুজিল্লক্লে। অসিগুম্বা লমদম অমদা লৈবা ফংবসি লাইবক ফবনি। লাইবক ফবসিসু ভোটকী ওইরবদি মখল অনী অহুম থোক্লি। ভোট কারিবশিং, ভোট পীখিবগী নুংঙাইরিবশিং, ভোট পীবা-পীদবা অশিল অরাং ওইবগী খরা কান্নহৌবশিং অসিনি। কাদবদুদি হৌনশানি, কাদবদা পীবশিংদি অশোয়বদা অরানবনা য়োমশিনবা হায়বা তারে। ভোট হায়বসিদা ইলেক্ট তৌবা হৈবগী ৱাদি নত্তে। তৌরিবা হায়বদুনি চহী হুম্ফুতরা অসি ফগৎলকপগী ৱাদি ইউ উদে। পৈশা চঙবা হেল্লকপা, পৈশা চাবা হেল্লকপা, খৎন-চৈনবা হেনগৎলকপা অসি ঙাক্তনি।

ভোট তৌরিবসি ফগদৌবা মী খনবনি হায়রিবনি। মী অফবা খনবসি ৱাখ্রবা থবক্লি। মী অফববু কদায়দগী ফংগদৌরিবনো? হৌজিক তৌগদৌরিবা ম্যুনিসিপালিটিগী ভোট অসিসু অফবা ময়ামগী মরক্তগী খ্বাইদগী ফবদু খনবা ঙমগদৌরিবনি। খল্লিবা মীদুনা অফবা কৌগদৌরিবরা, অফবা খনবা ঙল্লিবা মীয়ামদুনা অফবা ওইগদৌরিবরা লৈখায় অমা তাথোকপনদি চুম্বা জাৎনি। অমরা অমরা ভোটতি অদুমক তৌরনি। ভোট লেপ্পরিবসি অফবা ঙাক্তনি হায়না লেপ্পরকইবনি। মী অফবা খনবনা খরা অমুক লায়রি। পার্টি অফবা খনবা হায়বা অমসু য়াওশিল্লক্লি। পার্টি ফরবদি মীদু ফৎত্রবসু য়ারে হায়নরি। কদায় কদায়দনো পার্টিদুগী হৌদোং লেপ্পবসু কাগনি হায়নবসু লৈ। পার্টিনা লুবরা মীনা লুবরা ভোট পীরিবশিং ঙাউরকপদুগী ৱানি।

মুন্না খন্নরকান্দা ভোট হায়বসিদা তৌরিবসি অচুম্বা অমত্তা য়াওদবদৌনা খন্নরকই। মীয়ামসু অদুমহায়না অদুম লৌবা মাল্লি, কয়া কয়া য়েল্লক্কদৌরিবনো খল্লগা ঙাইদুনা লৈবা হায়বা তারে। মসিবু ভোটনি হায়রদি মালেমসিদা খ্বাইদগী চিন থিবসি ঐখোয় তারে। চিন থিবদু লায়রি, খ্বাইদগী পঙবা ভোট হৈতবদু ঐখোয়নি হায়রিবনি। পৈশানা ভোট থাদৈ হায়বসি ভোট নত্তে হায়বনি। তশেংবদি মসিমক্তি মী খঙহনবদা ইকায়বা য়াবা থবক্লি, ঐখোয়গীদি চৎনরবনিনা ইকায়নদ্রে। ভোটকা ইলেক্সনগা শন্নদবা হায়বদুনি। ভোট কাখিবদুদি পৈশানা কাখিবনিনা অশেংবা ইলেক্সনদুদি তৌদ্রেদনা। নম্ফুদা কাবা য়াবদুদি ডেমোক্রেসিগী ভোট নৎত্রে হায়বা, চোংশিল্লগা নিংথৌ খুভম মুনবগুম্বনি। সিষ্টেম অমা পানশিল্লগা মোনার্কিজম চথবগুম্বনি।

লেপচগন হায়গদ্রা, পার্টি কোয়চোং চোংলগা লেপসু অদুম চৎনৈ। পার্টি ফংদবদি নত্তবা ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা লেপ্পসু ময়াম য়াওনরি। মসিগী মরম অদুম লৈরবনি। কাবা ঙল্লগা পার্টি অমদা অমুক য়াওগদৌরিবনি। মদুদা ভোট পীরগনা মীয়ামদসু কোয়চোং চোংবদুদা য়াওজবা তারকপদুনি। কাগে কাও, কারোই তোকউ ভোট লেপ্পসি হৈনবীনি, শিনফমনি, কান্নবদুগী লেপ্পুবা য়াদে হায়বসু য়াওবদুনি। মদুদনি ভোট হায়রিসে খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইবা ব্যুজিনেসনি হায়রক্লিবসি। মীয়াম্থুনা অপংবা শিবনি।

ভোটতা পৈশা য়েল্লোইদৌবনি হায়বা মীশিংদি অঙাও অফৈ ওইনা লৌনরি। মদুসু তুমিন-তুমিন শন্নিং হনবগী কাংলোন্দা তৌনরিবনি। লোন্না তৌবনি হায়জরবসু ইফোং ফোংনা খঙনবা ৱানি। নুংঙাইরিবদি পৈশা য়েনবশিং পার্টি মান্নদ্রবদি ওনশিন ওনশিন ফানবা য়াওনরকপসিনি। ‘ঐদি য়েনগে, নঙদি য়েনবা য়ারোই’ হায়বসি করি থিওরি কৌগদগে? মসি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা টার্ম অমা ওইনবা হোৎনহৌবনা চুমগনি খল্লি। পৈশা য়েনবা ঙম্বগীদি ইকায়নদ্রগা টার্ম অসি মমিং থোলহৌবদি ইকায়বা হৌনদে। চৎনবীসি ব্রাইব কৌবদি লানগনি খল্লি। থবক ৱানোম্বগীদি হন্দোক্ল বসু লৈ, ভোটকীদি হন্দোক্লদে। য়ুনিভর্সিটি অমসু লৈরে, চৎনবীসি মালেমগী থাক্তা পুখৎতুনা শক খঙহনবা হায়বসি ওজাশিংগী কোক্তা লৈরে। মদু ফাওবা হৈরোয়দৌরিবা জাৎলা। অফবা ফত্তবা হায়বদুনা কোন্নগী ৱানি। রিছার্স তৌবা, রেকোর্দ তৌবা, চহী চাম্মা-চনিগী মতুংদা নৈনবদা য়াওরক্কদৌবা অদুগী মচাক-মথুম শেমদুনা থমহৌবা তঙাইফরক্তবগী ৱাদুনি। করম্না পৈশা য়েল্লি, লোনা কমদৌরি, ফাবা ঙম্বসু য়াওই, ফানদ্রিবনা করিগীনো হায়বশিংসি কুপ্পা নৈনরগা ইশিন্দুনা থমহৌবা কান্নগনি খল্লি। ওজাশিংদি ইকায়বদা য়াওদ্রবসু য়াই।

খুন্নাই অমগী ময়োন লমদা হন্দক তৌগদৌরিবা ম্যুনিসিপালিটিগী ভোট অসি য়াম্না আইদিয়েল ওইগদৌরি। কাঙলুপ মান্নদবশিংগী মরক্তা তোৎশিন্নদুনা ভোট খোম্নবা অসিমক য়াম্না নুংঙাইবা মীওইবগী চাওখৎপগী থাক অমদা চঙশিল্লকপগী মওং মতৌ কয়া উবা ফংহল্লিবা থৌওং অমনি। হান্নসু তৌদুনা লাকখ্রবা থবক্লি। অদুবু ৱাখলগী থাক ৱাংবদি হেনগৎহল্লি হায়বা তাবনি। পূন্না লৈমিন্নবগী পূন্না থবক শুমিন্নবা হায়বসি য়াম্না নুংশিননিঙাইনি। ঙল্লবদি পৈশাগী ৱা য়াওনদ্রবদি অমুক হেন্না নুংশিনবা হেনগনি খল্লি। অসুক ফজখ্রবা খুদোংচাবা অসিবু কোখোল্লগা চাথোকপগী ৱাখল্লোন অমদা চথখিবা তারবদি তুংদা লাক্কদৌরিবা শক্তম অদুদি য়াম্না নীংবা কায়নিংঙাইনি। মদুমক তানবা শিনবদি মান্দে।

গ্রাম সভাগী ইলেক্সনগদি খরা খেন্নবা উবগুম তৌরি। ম্যুনিসিপালিটি কাউন্সিলদগী কোর্পোরেটকী থাক কাখৎলকপা হায়বসি শেন্থং হেনগৎপদুখক উবা লানগদৌরি। ইশাগী খুন্নাইগী থাক অমা ৱাংখৎলকপগী থৌদাংশিং অদু খঙদবা য়ারক্লোইদৌরি। অকোয়বগী ফীভম, মীশিং হেনগৎলকপা, সেনিটেসন এন্দ হেল্‌ঠ, পব্লিক দিষ্ট্রিবুশন, মৈ ঈশিং, পোলুসন অমসুং মহৌশাগী শক্তম ঙাকচনবগী ৱাখল্লোন ময়ামসিবু মপুং ফানা খঙবা অমদি তঙাইফদনা চঙই। মসি খঙনা ভোট পীনদ্রবদি চহী মঙা মঙা খুমাং চাউশিনবা ঙমদনা শায়েন-ঙায়েনগী থাক্তা চনৈনদুনা লেনবা তারকপনি। মমৈদা মতমগী মীওইবা খুন্নাই মানবা ঙমদনা লেনখিবা তাবনি। লুরিবসি লম্বী থোং খরা শেম্বসিনা য়ারোইদৌরি, মীগা মীগগী মরক্তা হারমোনি ওইনা হিংমিন্নবা ঙম্নবা ফীভম অমা শাগৎপদুনি। ঙসি ওইরক্লিবা শক্তম অসিদি মদুমক ওইগনি হায়বগী থাজবা মাঙশিল্লক্লি। কাঙলুপকী চৈথেং মরক্তা শেল থুমগী চৈফু অমা চেং খৈবগুম খৈরকপা-মীতোপগী ঈশিং ঈচাও থোকচিল্লকপা অসিনা মুৎশিল্লক্লিবা, মসিগী থৌদাং খঙনা শিন্থা পায়নদ্রবদি ভোট হায়বসিনা কান্নবা পুরকপগী মহুত্তা ৱাকম্বোক্তা নাম্থজরগা তাদুনা মাঙজবা নত্তনা করিসু ওইবা ঙল্লোইদৌরি। মশানা ৱায়েঞ্জবা ঙমদবনি।

থবক অমা তৌবা হায়বসি ৱাথি খরা য়াওবা, ৱাথোক খরা থোকপদি মশানা তাবনি। মদুমক ওইদুনসু থায়নগী ৱাকোক-তেনকোক পায়নবদুদি উখিদ্রে। খন্নবা য়াবা ৱাফমদি হঞ্জিন হঞ্জিন হায়নদুনা লৈরবা মীশিং য়াম্না ফংবা ঙমদবা মীদুনা ভোট কারি হায়বসিনি। কেন্দিদেট অহুম শুবা মফমদদি ৩৪% ফংবনা ভোট কাগদৌরি। মসিমক্তি ভোট লেপ্পিবা অমসুং সিষ্টেম পুথোক্লিবদুগী অশোয়বা মান্দে। মীয়াম্না ভোট পীবদা খরা হেন্না ফবা খল্লকপদা চাদা ৭০/৮০ ফংবা য়াওরবদি হায়বদি ফগদৌবদু মীয়াম্না খঙলবদি, মোরেল করপ তৌনদ্রবদি হেন্না ফগদৌবদু মীয়াম্না য়ারবনি হায়বা য়ারগনি। খ্বাইদগী ফবদি পার্টি থম্নদনা কারবশিংগী মেজোরিটিনা থবক তৌরবসু য়াবা ৱানি। পার্টি-পার্টি খৎননবা শিনবা মানবসু লৈরি। বাই-পার্টি চৎনবা ঙমদবসিগীসু মরম লৈরমগনি। লেপচগন য়াম্বা মফমদা কেন্দিদেট ১১ লেপ্পা য়াওনখ্রে। অথিংবা লৈতে হায়দুনসু মীরোল থুংদবা মাল্লকপদুগীদি চেকশিনফমদি থোকই। হৌজিক্তি ভোট লেপনিংবা মীগী মশিংসু হন্থরক্লে। পৈশা চঙবা হেনগৎলকপা, কাহৌদবশিংদি কৌথোক্লগা হাত্তোক্লম্বগুম্বনি। ঙাওরগা চৎপসু য়াওনরক্লবনি। তৌদবা য়াদে, লাকপরা-ফোয়বরা, হুরানবা ঙম্বা, নম্ফু ঙম্বশিংনা মশিং য়ামখৎলক্লবসু মীয়ামসিনা পৈশা লৌনরবসু ভোট পীনদবা ঙম্নরক্লবদি পৈশা পায়বনা হুমদুনা পুনরিবসি থিংবা ঙম্বা য়াবনি। মদুদি নত্তনা থুম-থাউ খরা চাবা ফংবগীদমক পুন্সি য়োম্থোক্লদুনা, ধর্ম্ম শন্দোকপগুম মী খোন্বা ঙম্নবা হায়বসি মীয়াম্বুদি অপঙবা শিবনি। মদুগী মথক্তা ওইদ-পাদা কয়া অচুম্বা শাদুনা মীয়াম্না থাজনবা হঞ্জিন হঞ্জিন ঙাঙবসিসু মীয়ামদা উৎ চাইবনি। তশেংবদি মীয়াম্থু অপঙবনি খনবদি মশাদু অপঙবনি হায়না লাউথোকচবগা অম্মানি। মপুক ফবা, পুকচেল শেংনা থবক তৌগদৌবা মীওই খনবা হায়বসিদা পৈশা ময়াম তিংহল্লগা কনানা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা ঙমগদৌরিবনো? ভোট লেপ্পগী পার্টি শেম্নরিবসিদি হুরানবগী পার্টি শেম্নবগুম্বনি। পৈশা পায়রবা, ক্রোরপতি কয়ানা ভোট লেপ্পরিবসিদি মখোয়গী করবারদু কায়দনবনি হায়নবসু লৈরি। পুন্সি হায়বসি লল্লোনবনি, ভোটসু লল্লোনবনি হায়বসি অদুমক চুমদুনা লৈখিবা তারি। মরক অসিদা মীওই খরনা অচুম্বা, অফবা শাদুনা ঙাঙলি-শল্লিবা অসিদি চোয়রোল মাল্লকপদুনি।

ইলেক্সন রিফোর্মেসন কম্মিটি ফাওবা শেম্নরে, ফোংনা লাউনরে, শেমদোকপা পাল্লিবসি মীওই কয়া য়াল্লবগে? মীয়াম্না করি পাল্লিবগে? পৈশা পান্মী হায়বদি ঙসি ফাওবা চুল্লি। পূম্নমক লৌশিং অমগী মখা পোল্লকই। লৌশিংদুগী মরমদদি কয়া য়াম্না নৈনরবগে? চীন্দা পাম্বদু পূক্লিংদা পাল্লবনি হায়বা য়াদ্রি। নাকোংদা তাবদু কোক্তা চঙউ য়াদরি। অফবদু মচু শঙউ য়াদরি। মসিগীসু মরম তোঙান তোঙান লৈগনি খল্লি। মীয়ামগী লৌশিংগী থাক অমগী মখা পোন্না লৈবা, মদুগী মরুমদা মীওই খরনা তৌনিংবা তৌবা য়ানবা শিনবা, চরাম্নবদগী মীয়াম্না খোইদা থুবা নৎত্রগা সিষ্টেমগী অশোয়বা লৈবা ওইবসু য়াই।

লো হায়বা অমদি লৈরে। লো ঙাক্নদবা মীশিংদদি লো হায়বসি ফক্লাংদা থেৎপা কৈগুম্বনি। মদুদা কিরবদি অঙাং ওইরি হায়বনি। লোসি কিগদৌবা নত্তে, ঙাক্লা চৎনগদৌবনি, ঙাক্লা চৎনবদু খ্বাইগী থৌদাংনি। থৌদাংদু লৌনরক্তবা মতমদা লোদু কায়রকই, ভোটসু চুল্লক্তে। ভোট তৌরিবসি লো শেম্বা হৌরিবনি, হৌবদা শোয়বদি লো লৈরক্তবা মশানা তারকপনি। মীয়াম্না মীয়ামগীদমক মশানা শেমজবা লৈঙাক লৈহনসি হায়রদি চোয়রোল-পারোলনা য়ারোইদৌরি। চনিং তানা তিন য়োখরগা ইশানা ইশাগী শক্তম য়েংজবা হৈবা তারক্লি। মদুমক হৈবা হৈতবা হায়বসি ভোট মতমদা অয়েকপা লাই ওইনা পাউচেশিংদা থোক্লকই হায়বসিসু খন্থনবা চুম্লব্রা খল্লকই। নোংমগী পাউচে ওইরক্তরে, চহী চা কয়া য়েংবা য়াবা মীয়ামগী শকয়েং মিংশেল ওইরক্লবনি হায়বসিসু ভোটকী মতমদা নীংশিংনবা তারক্লি।

ভোটকী পাউ ফজহনবীয়ু, মীয়ামগী শক্তম ফজহনবীয়ু।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি / ৱাকৎ / মীয়ামগী খোল্লাউ / পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## হৌজিক্কী মতমগী করপসন অমদি সমাজ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মতম** কয়াগী মমাঙদগী করপসন হায়বসে চৎনদুনা অদুম লাক্লি। ঙসিসু করপসন হায়বসে অদুম চথুরি। ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা করপসন্দগী মীওই কয়া নীংবা কায়বা অমদি লন-থুম শম্পতি কয়া কায়নবদগী অৱাবা চৈথেং ফংবা মী মশীং লাকঙমদনা লৈরি অমসুং লৈরক্লি। মসি পূম্নমক অসি মরুওইনা মী মশা মশানা মশাগী ওইজবা তানবদগী নৎত্রগা মচা-মশু, ইমুং মনুং, মচিন-মনাও, মরী-মতাগী, মরুপ-মপাংগী ওইজনবা ফহৌনবা হোৎনবদগী মরু ওইনা থোরকপনি। অসিগুম্বা মখলগী করপসন হায়বসি নত্তবা দোলালি হায়বদি লুপা পৈশাদু লৌরগা মীগী থবক ঙমহনগনি, ফম পীগনি হায়দুনা মী থাজহন্দুনা পৈশা লৌরুরগা করিগুম্বা থবক অদুনা ওইরক্ত্রবদা শুপ্নগী ইশাগী ওইজনামগীদমক্তা দোলালি খরা ফংগদ্রা খল্লুববু শেনবুন ওইনা নম্থরক্তুনা শিংবা তারকপদগী অৱা অনা থেংনবা কয়া য়াওদবা নত্তে। ইশা ইশাগী তুংগী খন্দুনা থমজরম্বা লৌ-শীং য়োম্থোক্তুনা লৌদি তীল তাবসু য়াওই, ঈশিং ঈচাওনা শিবসু য়াওই, ইকংনা লৌ য়াম্না থোক্তবসু য়াওই লৈঙাক্কী থবক তৌহৌবা হায়বদুদি পেরেনি থা খুদিংগী তোলোপ ফংবা শোয়দবনি হায়দুনা লৈঙাক্কী থবক অমতা ওইরবসু ফংননবা হোৎনবদা লৌ য়োন্দুনা শেল পীজদুনা ৱানোম্বদগী দোলালিনা খরা চা, ফম্ন ইবনা খরা চা তৌরগা থবক্তু ফেল ওইবদগী মাং-তাকপা ইমুং কয়াগী পাউনিলখোল মণিপুর খুন্নাইদসু তৎতনা নীল্লি। অসিগুম্বা মখলগী করপসন অসিনা ঙসিগী মণিপুর খুন্নাইদা মাঙ তাক্লবগী মতৌদা মীওই কয়া শাথিবা চৈনা ফংনবগী পাউ তৎতনা তানরি। দোলালি কয়াসু শঙ্গ লৈবা শাবদা খুথাং পৈশা পীরুবদগী য়ূম কায়বা ফাওবা য়াওনরি। চুম্মী অমরোমদদি মীচম ঐখোয়না লানবনি হায়বদি ইচা ইশুগী ফননবগী হোৎনবদা ৱানোম ৱাথিন তৌদুনা পৈশা পীরুবনি অদুবু থবক্তুনা ফেল ওইরবদি শেল লৌবিখিবশিং অদু হন্দোকপীরোদনা, মদুসু নত্তবা শেলসু হন্দোক্তবা হন্দোক্কনিদি হায়রগা হাবি জাবিদা নমশিন্দুনা অদুম লৈখিবা অমদি মাঙবা কয়া কয়ানি। অসিগুম্বা মখলগী করপসন অসিনা নাবা মীওই লিশীং কয়ানা চৈনা খাঙলিবসি কুইরক্লে, অদুবু খাঙলিবা চৈনাদু মীওই কয়ানা খঙলবসু ঙসিসু অদুমক করপসন হায়বদু চৎনরক্লি অমসুং কয়া অমসু মখা তানা অৱা--অনা খাঙনরক্লি।

অসিগুম্বা মখলগী থবক হাপ্নবগী করপসন অসি নত্তবদা লোন পীবিগনি অদু-অদা কান্নহনগনি হায়দুনা চথবা করপসন কয়া অমনসু মীওই কয়া নিংবা কায়দুনা হিংনরি। শেল শান্দোক্লগা শেন্দোই খরা ফংগদ্রা হায়দুনা হোৎনরুবদগী শেন্দোইদি লাইরদনা শেল্লেপ ফাওবা ফংদবা, মাঙবা কয়া, ঠিকা পীগনি হায়দুনা পৈশা কয়া চঙখ্রগা ফংদনা মাঙবা কয়া, ফংলগসু বিন্ধা ওন্দুনা লন থুম, সনা-লুপা কায়বতা নত্তনা মীগী শেন্দোয়দা খ্বাং কোয়বা কয়া অমসুনি। মরুপ তৌরগা কান্নগদ্রা হায়রগা কায়খিবা কয়া অমসু য়াওরিবনি। মপান লৈবাক কয়াদসু অদু লৈবগীনি অদা লৈবগীনি হায়দুনা শেল কয়া দোলালি চাবদগী হান্নগী মিনিষ্টর ওইরম্বা কয়া অমদি অতৈ হায় ওফিসিয়েল কয়া কোর্ট কাবা য়াওরি। পুলিসনা ফাবা য়াওরি, দন্দি ফংবসু য়াওরি। মসি ঙসিগী মণিপুর অসিদা থোরক্ত্রবসু লাইচৎনিনা শোয়দনা থোরক্লোই হায়বসু তম্বা ঙম্বা নত্তে।

অমরোমদা মীয়ামগী সেবানি, ফননবনি হায়দুনা স্কুল, কোলেজ কয়া, ওর্গনাইজেসন কয়া পংলিংদা লিংখৎপা য়াবনিনা শেন্দাল লম্বী ওন্থোক্ল রকপদগী মীয়ামগী ঈ চুপ্পগা পাংখক ওইবা ৱানবা কয়া য়াওরক্লি। স্কুলগী এদমিসন তৌবদা থাজিনখিবা সার্টিফিকেট লৌথোকচগে হায়বদা নৎত্রগা ট্রান্সফর সার্টিফিকেট পীয়ু হায়বদা লুপা লিশীংদগী তাদনা চঙবা মতৌ অসিবু হৌনবী অদুম ওইদুনা লৈখিগদ্রা? অদুদগী অমগীবু ওইরো অমগীবু ওইরো কোর্টতা মনি সুইট থাবদসু লুপা কয়া চঙবতা নত্তনা মতমসু কয়া চঙলগা নমদুনা লৈবা অমদি চয়েৎনবা কয়া লৈবা অসিসু অৱাবা মখল অমনি। মসিদা নত্তনা মখল কয়াগী করপসনগী মওং লৈরি, মসিদা মণিপুর মচা কয়া ককঙাওননা লেনবা কয়াগী মতৌসিনা লৈবাক অসি চাওখৎপা হায়বদুদি মপান সনা মনুং ফদি হায়বদু অদুম ওইগদ্রা খল্লি।

*অদোমগী-ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*
*ব্রহ্মপুর থাঙ্গপাৎ মপাল*

## আই এল পি চৎনহনবা / ট্রাইবেল ওনবদা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

**ঙসি** ঙসিমক ওইরক্লিবা ফীভমসি ইন্দিয়া হায়বসিদা তিল্লুরবনিনা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরবসু ইরমদমসিদি নীংতম্বা ইশাগী হক ফাওবা শেমজবা ঙমদ্রবা ইরৈবাক্তুদি ওইখ্রে হায়বসিদি শোয়দ্রে হায়জনীংই। মতম অমদা চীং-তম পূন্না লৈঙাক চুপলি পায়মিন্নদুনা কংলৈপাক কৌনা চীংমী-তম্মী খায়দনা পূন্না পাল্লম্মী, ৱায়েল চুপলি লৈজরম্মী হায়বসি মাঙলমচৎকী পুৱারীনা খঙহল্লি, খঙনরবা ৱাফমনি। মীতৈ হায়বা কাঙলুপ-ফুরুপ অসিগী লাইনীংলোন, মৈতৈ (মৈবু তৈনা কোইনা লাইনীংবা), মৈবু তৈনা কোইনা নীংলিবা ফুরুপ-ইফুরুপ, কাঙলুপ হায়বা মীওইবশিংসে কনানো? মীতৈ (কুরুগী মীতম মীবু য়েংদুনা তৈনা শাখিবা) ফুরুপ (চাক এঞ্জাং তিন্নবা লূপ) অসিনা লুচিংদুনা থাজনরকপা ইরমদম কংলৈপাকসিগা ইন্দিয়া হায়বসিগা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনবদা করিসু কায়নিংঙাই ওইদে। মখোয় মখোয়গী খুল, ষ্টেটশিংদা চঙবদসু আই এল পি এস রুল এন্দ রিগুলেসন এক্ট অমগী মখাদা ঐখোয়সু অদুমক চঙলুবা, চঙহনবা য়াই। মসিদি মশা মশাগী লম ফুরুপ, মফরুপ্পু কঞ্জবনি। দেল্লিদসু, পঞ্জাবতসু, হিমাচলদসু মশা মশাগী শেম্নসনু করিসু কায়দেনা? অঙকপসু ওইফম থোক্তে। মৈবু তৈনা নিংজবী মৈতৈ লাইনীংলোই, মীতৈ হায়বা ফুরুপসি হৌজিক্তি ভারত সংবিধানগী ফিবান্নংদা চনখ্রবনিনা ট্রাইবেল ওনবদা মায়ওন চুমখিগনি হায়বসিসু ঐগী য়ানিংবদু মীয়ামদা খঙহঞ্জরি। মীতৈগী লাইনীং করিনো মৈতৈনি! মৈতৈ লাইনীং চৎলিবসে করম্বা ফুরুপনো? মীতৈনি। ইরমদম নুংশিবীরগদি হৌজিক্কী ওইনা মীতৈ কাঙলুপশিংসে, ফুরুপসে মৈতৈ লাইনীংসে ট্রাইবেল ওলহৌরসে।

*অদোমগী— থোকচোম মনিখোম্বা মৈতৈ*
*খুরাই, সলানথোং*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১। জাৎ ওনবা কনানা ইবা উপন্যাসনো?
২। মণিপুরগী অহানবা খোরিরোলগী লূপতুগী মমিং করিনো?
৩। লায়ররবী ইরোলনি খঙদবনা হায়বনি, কনানা হায়রম্বনো?
৪। চেক্লা পাইখ্রবদা করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।